# MANIPUR GAZETTE

**E X T R A O R D I N A R Y**
**PUBLISHED BY AUTHORITY**

| No. 167 | Imphal, Tuesday, July 12, 2022 | (Asadha 21, 1944) |
|---|---|---|

## OFFICE OF THE
## PLANNING & DEVELOPMENT AUTHORITY, MANIPUR

**Notification/ খঙহঞ্জবা**

Imphal, the 8th July, 2022

No. 01/2021/SE-PDA: Hon'ble High Court of Manipur না PIL No. 74 of 2021 গী মতাংদা তাখিবা Order dated 26/05/2022 গী মতুংইন্না Land Use Modification তৌবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা তোঙান-তোঙানবা Local vernacular dailies (Manipuri Edition) দা ফোঙনবা হায়রকপদগী ফোঙখ্রে। ফোঙখিবা অসিগী মতুংইন্না Objection তৌবিনিংবা লৈরবদি তাং ৩০।০৬।২০২২ ইং ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোল পিশিল্লক্নবা খঙহনখি (Vide Office Notification No. 01/2021/SE-PDA/115 dated 20/06/2022)।

2. Land Use Modification গী মতাংদা খন্নবগীদমক্তা Manipur Town & Country Planning Rules, 1978 কী Rule 23-A গী মখাদা Hearing Committee অমা শেমখি (Hearing Committee constituted vide Order No. 1/79/2021-PDA(Pt.) dated 1/4/2022)। Objection লাকখিবা মীওই ৮(নিপান)শিংদুদা Hearing Committee অসিনা তাং ০৭।০৭।২০২২ ইংদা Planning & Development Authority গী কনফরেন্স হোলদা লাকপিনবা নোটিফিকেসন মশা-মশাদা য়ৌহনখি।

3. হিয়রিং কমিতি অসিগী মীফম অদুদা ওবজেক্তরশিংগী মরুওইবা অপাম্বা ওইনা টেম্পররি / অলটর্নেত গর্ভনমেন্ট ক্বাটর অসি নেসনেল গেম্স ভিলেজগী সাইত -এ হায়না খঙনরিবা মফম অসিদা শাবিদনবা অমসুং মফম অসি শান্নবুং ওইনা থমবগী অপাম্বা ফোংদোক্লরকখি।

4. হিয়রিং কমিতি অসিগী লাক্লিবা ওবজেক্তরশিংগী ৱারোল তারবা মতুংদা খঙহনখিবা ৱাফমদি -মনাক অনকপদা শান্নবুং ২(অনি) লৈ। হায়রিবা মফম অসি লাঙ্গোল হিলজ রেঞ্জগী লোয়রোই-লোয়রোই ঙমথরকপা চিংগী নাপোম ওইবনা শান্নবুং ওইবদগীদি গর্ভনমেন্ট ক্বাটর ওইবনা হেন্না মফম চাবা ওইগনি হায়না খঙহনখি।

5. হিয়রিং কমিতি অসিনা ওবজেক্তরশিংগী ৱাকৎ অমসুং মখোয়না পীশিল্লকপা চে-চাং অপুম্বা খন্নরবা মতুংদা Temporary / Alternate Government Quarter হায়রিবসি মখা তানা চখনবা ৱারেপ লৌখি। মীয়াম্না নুংঙাইনবা হায়রিবা মফম অসিদা য়ামদ্রবদা 10,000 to 14,000 sq.ft. গী পাক চাউবা অহাঙবা মফম / পব্লিক য়ুটিলিটি ওইবা য়ানবা মফম খাক্লবা য়ান্নখি। হায়রিবা রিকমেন্দেসন অসি পি.ডি.এ.গী মরি লৈনবা অথোরিটিনা অয়াবা পীখ্রে।

6. মরম অসিনা Manipur Town & Country Planning Act, 1975 গী Section- 34(1) না পীবা পৱর মতুংইন্না Revenue Village 91- Meitei Langol, National Games Village Complex Layout Plan দা "A" হায়না থারিবা মফম অসি Modified Land Use তৌরগা Construction of Temporary / Aiternate Government Quarter শাবদা শিজিন্নরগনি হায়না মীয়ামদা খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জরিবা,

K. GYANESHWOR SINGH,
Secretary,
Planning & Development Authority,
Manipur.

Printed at the Directorate of Printing & Stationery, Government of Manipur/270-C/12-07-2022.